CAREERINDIA

**PART-IV**
**LANGUAGE-I**
**MANIPURI**

কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-I** লৌরবদি **পার্ট-IV** গী ৱাহং **(91-120)** ফাওবগী পাঊখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

**মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাওখুম পীয়ু। ৱাহং (91-99)**

জাতি অমগী লোকসাহিত্য হায়বসি জাতিদুগী অশেংবা থম্মোয়গী য়াৱানি। নুতিগী অয়ুক নুংদাংদা নীংশিংনরিবা, ৱারী-ৱাতায় কয়া শাবদা য়াওনরিবা, খুঙ্গংদা লৌবুক্তা শরূ-শোন্নরিবা ৱারী, ঈশৈ অমসুং প্রমাণ-পাষ্টে পূন্নমক লোকসাহিত্যনি। অইবা চাওখৎলবা সাহিত্যদি সমাজদগী থাপ্তোরক্লবনি; হেন্না ফজবা শকফম অমনা সমাজগী মিংশেল ওইনা পুশিল্লকপনি। লোকসাহিত্যদি সমাজ অদুমক্নি। সমাজ অদুগী আশা অমসুং অনীংবা কয়া, অশোনবা অমসুং ফজবা কয়া ৱারীনা অমসুং ঈশৈনা মণি-মুক্তা চাইথোকপগুম্না চাইদুনা লৈরি। ফজবা ঙাক্তসু নত্তে, ফজদবসু য়াওরি। তাবদা নুংঙাইবা ঙাক্তসু নত্তে, নোক্নীংবসু য়াওরি। নুংশিবসু য়াওরি, কপ্নীংবসু য়াওরি। মসিদা অরোৎপা, তৌশিন্নবা করিমত্তা য়াওদে। পূন্নমক চেঙহী মচিগুম্না তরু তরুনা, চেঙ মচংগুম্না মচা-তানা উৎলি। মরম অসিনা হৌজিক্কী মতম অসিদা সমাজ অমবু শকখঙনবা তান্নরকপদা লোকসাহিত্য (folk lore) হায়বদু পূন্নমক্না থিজিন্নরকইবসিনি। লোকসাহিত্যবু কূপ্না নৈনরগা সমাজ মশক খঙই। অসিগুম্বা মীয়ামগী ওইবা সাহিত্যবু মশক খঙদ্রগনা সমাজবু মশক খঙদে। করিগুম্বা সমাজগী লোন্না থূপ্না লৈজরিবা অশোনবা অমসুং অপাম্বা কয়া অদু লোকসাহিত্যনা ময়েক শেংনা মরীক চূন্না অমসুং খোঞ্জেল তপ্না লাউথোক্লি।

মণিপুরগীসু অসিগুম্বা লোকসাহিত্য অসি ৱাৎপা নত্তে। অতৈদগীবু হেন্না ফজনা মরাং কায়না লৈব্রা নীংঙি। চীন্ অমদগী চীন্ অমদা, নাকোং অমদগী নাকোং অমদা চত্থরকইবা অসিগুম্বা ঈশৈ কয়া, ৱারী কয়া, প্রমাণ পাষ্টে কয়ানা যুগ যুগ কয়াসিদা পূন্নমক্কী অপেনবা ওইনরি। শক্লোন য়াম্বা লোকসাহিত্যনি। অসিগুম্বা মীয়ামগী চীন্দা পুরিবা সাহিত্যনা মণিপুরীশিংগী থম্মোয়গী য়াৱা পুদুনা লাক্লি। পূন্নমক্কী অপেনবা ওইহল্লি অমসুং ৱাবনা থল্লবা পুন্সি মশক খঙহল্লি।

ঈশৈগী মায়কৈদা লৌরবদি খূৎলং ঈশৈ, পেনা অমসুং খোংজোম-পর্ব্ব পূন্নমক লোক-সঙ্গীতনি হায়বা য়াই। লৌবুক্তা লম্মাংদা, শাবী-শানৌশিংগী মরক্তা শন্নরিবা খূৎলং ঈশৈ অসিদা ফোঙদোকপা ঙমদ্রবা নীংজবা অমসুং অপাম্বা কয়া য়াওরি। নীংবা কায়বগী নুংশা শোর তারি। মঙজবা মঙ কয়াগী অমসুং তৌজবা আশা কয়াগী পাউদম ওইরি। শক্কা-শক্কা ওনশিন্নবদা ফোঙদোকপা ঙমদ্রবা ৱাফম কয়া ঈশৈদা হাপ্তুনা নীংথিনা ফোঙদোক্লি। অৱায় অখুম তৌনদুনা পেন্নরি। ৱারবা নংলবা চানিংঙাই লৈত্রবা পুন্সিদা ঙাইহাক্কী মিকুপ্তা ওইরবসু নুংঙাইনরি।

**91.** সমাজ অমবু মশক খঙগে হায়রবদি করি নৈনবা তাই ?

(1) য়ুমলৈ কৈরৈ নৈনগনি।
(2) ঈশৈ নোংমাই নৈনগনি।
(3) ফিজেৎ চাকচা নৈনগনি।
(4) লোকসাহিত্য নৈনগনি।

**92.** লোকসাহিত্যগী শক্লোন করিনো ?

(1) শক্লোন য়াম্মী।
(2) শক্লোন য়ামদে।
(3) শক্লোন তোঙাল তোঙাল্লি।
(4) শক্লোন মখল মখলনি।

**93.** মণিপুরগী লোকসাহিত্যদা অৱাৎপা লৈব্রা ?

(1) অৱাৎপনা পীফ থল্লী
(2) অৱাৎপা লৈতে
(3) খর খর লৈরী
(4) মপুং ফাবা ঙমদ্রি

CAREERINDIA

94. জাতি অমগী লোক সাহিত্য হায়বসি। জাতিদুগী —

(1) সমাজ অমা মশক তাক্লিবনি।

(2) সমাজ অমগী মীংশেলনি।

(3) ঈশৈ নোংমাইনি।

(4) অশেংবা থম্মোয়গী ৱা তম্বনি।

95. মীয়ামগী চীন্দা পুরিবা সাহিত্যনা মণিপুরী সমাজদা করি পুরক্লি ?

(1) থম্মোয়গী য়াৱা পুরক্লি। (2) জাতীসিবু মশক তাক্লি।

(3) অমগা অমগা খঙনহন্দে। (4) অমগা অমগা নুংশিনবা পুরক্লি।

96. 'প্রমাণ পাম্থে কয়ানা যুগ যুগ কয়াশিদা পূন্নমক্কী অপেনবা ওইরি।' মসিদা য়াওরিবা প্রমাণ পাম্থে অসি —

(1) ফ্রেজনি। (2) ক্লোজনি।

(3) কমপ্লেক্স ৱার্দনি (4) কম্পাউন্দ ৱার্দনি।

97. 'শক্লোন য়াম্বা লোক সাহিত্যনি।' ৱাহৈ পরেং অসি —

(1) ইম্পরেটিভ (2) এক্সক্লেমটরী

(3) দিক্লারেটিভ (4) অচম্বনি

98. ঈশৈ অমদি প্রমাণ পাম্থেশিং অসি করিগী মনুং চনবগে ?

(1) লোকসাহিত্যগী মনুং চল্লি।

(2) সমাজগী মনুং চল্লি।

(3) লীলাগী মনুং চল্লি।

(4) অনৌবা সাহিত্যগী মনুং চল্লি।

99. সমাজ অমবু মশক খৎনবা তান্নরকপদা মরু ওইনা থিজিন্নরকইবসি করিদনো ?

(1) সমাজ অদুগী চৎনা লোনচৎতনি।

(2) সমাজ অদুগী ঈশৈ নোংমায়দনি।

(3) সমাজ অদুগী লোকসাহিত্যদনি।

(4) সমাজ অদুগী চাকচা য়ুথক্তনি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA

**মখাদা পীরিবা শৈরেং অসি মুন্না পারগা মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাওখুম পীয়ু। ৱাহং (100-105)**

উতোন পকপনিদি মঙান্না,
নীংহন চাবনিদি খোঙমাঙনা
য়েংজরি শানৌবু
খাঙজরি লৈনবু,
লোইবী নাপোমথক্তা তুংহন্না,
তুংহন তোয়না য়েংবু মিৎয়েংনা,
উচ্চরি ৱাবদি
নুংশিগী মৈচাক্তি,
কল্লিদা নুংশিগী লীচিংসে
ইবুঙো নঙনা পীনবসে।

**100.** মঙান্না কনাবু হন্না হন্না য়েংলিবনো ?

(1) মালেমবু (2) লৈচিনবু (3) লোইবী চীংবু (4) বসন্তবু

**101.** 'তুংহন তোয়না য়েংবু মিৎয়েংনা' শৈরেংশিনা ফোঙদোক্লিবসি করিনো।

(1) কায়নরমদাইগী য়েংবা (2) তুং হন্না য়েংবা

(3) অৱাবা উৎপা (4) কায়ননিংদদনা য়েংবা

**102.** পীরিবা শৈরেংশিগী অরোয়বা পরেংদা পল্লিবা 'ইবুঙো' হায়রিবসি কনানো —

(1) তাইবঙ মপুনি (2) নুংশিবনি

(3) কবিনি (4) কোরৌহনবনি

**103.** "উতোন পকপনিদি মঙান্না"
মসিদা য়াওরিবা মঙান অসি কনানো ?

(1) ইবুংঙো। (2) কোরৌহনবা। (3) শানৌ। (4) বসন্ত।

**104.** উচ্চরি ৱাবদি
নুংশিগী মৈচাক্তি
কল্লিদা নুংশিগী লীচিংসে।
অনিগী নুংশি লীচিংসি কনানা পীবনো ?

(1) লৈচিল না (2) তাইবঙ মপুনা (3) মঙান্না (4) বসন্ত ঋতুনা



www.careerindia.com

**105.** 'য়েংজরি শানৌবু
খাঙজরি লৈনবু'
শিদা পল্লিবা শানৌ অসি কনানো ?

(1) নুমিৎনি। (2) অতিয়ানি। (3) লোইবী চীংনি। (4) মালেমনি।

**106.** লোন তম্বদা মখাগীশিংসিদগী করম্বনা চুমদবগে ?

(1) লোনসি ঙাংবা, ইবা, মওং লাকপা অমসুং লেংবা চংই।

(2) লোন তম্বসি লোনগী শওং-শদা অমসুং চৎন পথাপ তম্বদা ওই।

(3) লোন শিজিন্নবনা ৱাখল হেন্না ফজনা খনবা ঙমবগী মতেং ওই।

(4) লোনসি মাগী মথৌ লৈবগী মতুংইন্না চাওখৎলকই।

**107.** স্কুলদা লাইরিকতম্বদা মল্তিলিঙ্গ্যালিজমসি লননি হায়রিবসি —

(1) ইদুকেসন পোলিসিদা লোন লৌখৎপদা অরাইবা মওংদা তৌবনি।

(2) ক্লাসরুমদা মহৈরোইশিংগী লোনশিং শিজিন্নবনি।

(3) ক্লাসরুমদা মসি মেথদ অমা ওইনা শিজিন্নবনি।

(4) ঙম্মীবামখৈ লোন ময়াম তম্বীবা য়াই।

**108.** ক্লাস VII গী ওজা অমনা মহৈরোইশিংদা গ্রূপ শেন্নগা তোপিক খল্লগা সহরদা কোইনা চৎলগা য়েংলগা মচাক খোমনবা হায় অদুগা মমান্নবশিংগা খন্নরগা রিপোর্ত অমা ইয়ু হায়। মসিবু করি হায়না খংনবগে ?

(1) অসাইনমেন্তনি। (2) প্রোজেক্ত ৱার্কনি।

(3) সোসিয়েল সাইন্সকী ৱার্কনি। (4) হোমৱার্কনি।

**109.** ক্লাস VI কী ওজা অশানা গ্রামারগী রিপোতেদ স্পিচসি ৱাহৈ পরেং অমমমগী খুদমদা তম্বী মহৈরোইশিংদা মহাল্ল ঔরাইনবা পারা য়াম্না পি অদুগা দাইরেক্ত স্টেটমেন্তশিংদু ইনদাইরেক্ত স্টেটমেন্ততা ওনথোকউ হায়। মসিগী স্ত্রাতেজি অসি করি হায়না খংনবগে ?

(1) লাইরিক তৌরগা ৱাখল পুথোরকপনি।

(2) মনুং হুৎনা ঔরাইরগা গ্রামার তম্বা।

(3) হৌজিক তৌবা ঔরাইবনি।

(4) পেদাগোজিকেল গ্রামারনি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA

**110.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা পোর্তফোলিও অসাইনমেন্তনো ?

(1) মহৈরোই খুদিংগী চহী চুপ্পগী তম্বা অমসুং তম্বীবগী রেকোর্দ খোমজিনবা

(2) টার্ম পরিক্ষানা পুল্লপকী এসেসমেন্তে ওইহনবা

(3) চহী চুপ্পা তৌবা ফোর্মেল টেস্টনা এসেসমেন্ত তৌবা

(4) খোমজিনবা অমসুং মহৈরোইশিংনা তমখিব শিংদু রেকোর্দ তৌবা অদুগা পুল্লপকী ওইবা এসেসমেন্ততা শিজিন্নবা

**111.** উত্তর প্রদেশকী নোংপোক থংবদা ঙাংবা হিন্দিসি উত্তর প্রদেশকী নোংচুপ থংবদা ঙাংবগা খরা খৈন্নে। মসিগী খেন্নবসি করি কৌবগে ?

(1) মখোয়সি অতোপ্পা লোনশিংনি।

(2) মখোয়সি হিন্দিগী দাইলেক্ত অমগী মনুংদা লৈ।

(3) মতমগী মতুং ইন্না মখোয়সি মপুংফাবা লোন ওইরক্কনি।

(4) মখোয়সি হিন্দিগী দাইলেক্তনি।

**112.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা "Interaction hypothesis" তা ঙাকলৌ ওইদবগে ?

(1) মহৈরোইশিংনা শনতা ইননবা তানজা পিবনি।

(2) গ্রূপতা তৌবা, জুরা শারগা তৌবা, ক্লাস পুল্লপকী ওইনা তৌবা।

(3) ওজানা পারা তাকপা অমসুং চিনহায় (dictation) তৌবনি।

(4) খনদোক্লবা তোপিকশিংদা গ্রূপ প্রোজেক্ত তৌবনি।

**113.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা অশেংবা সাইন লেঙ্গ্যাজনো ?

(1) সাইন লেঙ্গ্যাজগী গ্রামার লৈত্তে।

(2) সাইন লেঙ্গ্যাজসি মাই-মিৎ খুৎ-শা অমদি অতৈ হকচাংগী শরুকশিংনা লেং ওৎপসিনি।

(3) সাইন লেঙ্গ্যাজ পৃথিবী শিন থুঙই।

(4) সাইন লেঙ্গ্যাজগী গ্রামার লৈ।

**114.** অঙাং অমনা লোন অনৌবা অমা তম্বদা মহাল্লা ঙাংবা অমসুং শিজিন্নবদা মতম চংই। মসিবু করি হায়না খংনবগে ?

(1) ঙাংদবা মতমনি।

(2) ক্রিতিকেল মতমনি।

(3) বেবলিং মতমনি।

(4) ওভজরভেসন মতমনি।

CAREERINDIA

115. গৌরভনা রসকিন বোন্দগী ৱারিমচা পাম্মী অদুনা মতম ফংবগা পাই। মসিগী খুৎপাসি করি কৌই —

(1) খুদিংমক পাবনি। (2) পাকশন্না পাবনি।

(3) মনুংহুৎনা পাবনি। (4) চাওরাল্লা পাবনি।

116. ওজা অমনা ৱাহৈগী অরোইবদা ‘nt’ and ‘nd’ খুদম ওইনা ‘plant’, ‘blend’ সি পিরগা ৱাহৈশিংদু ফজনা হায়য়ু হায়। মসিগী জুরাসিবু করি কৌবগে ?

(1) ওন্ন-তৈনবা জুরা (2) চাং মান্নবা জুরা

(3) খেননবা জুরা (4) কমপারেতিভ জুরা

117. মমালোন্দা য়ুমফম ওইরগা লাইরিক তম্বসি করিনো ?

(1) মহৈরোইশিংনা সবজেক্তকী মচাকশিং মমালোন্দা তমলগা অদুগা মতুংদা ইংলিশ মেদিয়মদা তম্বনি।

(2) মহৈরোইশিংনা মমালোন্দু লোন ওইনা তম্বা অদুগা মথংদা ইংলিশ মেদিয়মদা তম্বা।

(3) মহৈরোইশিং অহান্বা ক্লাসতগী ইংলিশ তম্মী অদুদগী ইন্দিয়াগী লোনশিংগী মেদিয়মদা তম্মী মথংদাময়াই ওইবা তাংককতা ইংলিশতা তম্মী।

(4) মহৈরোইশিংনা লাইরিক তম্বা হৌবদা মমালোন্দা হৌরগা অতোপ্পা লোন মথং-মথং হাপচিনলকই।

118. মখাগীশিংসিদগী মহৈরোই মরক্তা পাবা হৈরকপগী পান্দম নত্তবদু করম্বনো ?

(1) হান্নগী লৌশিংগা টেক্সতুগা শমজিন্নবনি।

(2) লোনগী ৱাহন্থোক খংনবনি।

(3) ওজানা পারবা মতুংদা লাওনা হন্না পাবনি।

(4) টেক্স অমা পারিঙৈদা নাকোইননা শমজিনবনি।

119. ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসন্না নোংজুথাদা লৌখৎকদবা থবকশিংগী মতাংদা ইবা চে অমা ওজা অমনা থেংনৈ। মসি মহাক্না ক্লাসরুমদা পাবা অমসুং ৱাহৈশিং তম্বীবগীদা শিজিন্নৈ। মসিগী চে অসি করি কৌবগে ?

(1) অচুম্বা মচাক নত্তে। (2) লোন তম্বগীনি।

(3) হাপকদবা মচাকশিং খংদোকপনি। (4) অশেংবা মচাকনি।

120. মখাগীশিংসিদগী ইন্দিয়া গোভর্নমেন্তনা ক্লাসিকেল লোনশিংনি হায়না শকখংবগে ?

(1) হিন্দি, তেলেগু, কন্নাদা, মলায়ালম, সংস্কৃত অমসুং ওডিয়া নি।

(2) সংস্কৃত, তামিল, তেলেগু, কন্নাদা, মরাঠী অমসুং ওডিয়া নি।

(3) সংস্কৃত, তামিল, তেলেগু, কন্নাদা, মলায়ালম অমসুং ওডিয়া নি।

(4) সংস্কৃত, তামিল, দোগরি, কন্নাদা, মলায়ালম অমসুং ওডিয়া নি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA

**123.** 'দুহোন' কাবা য়াবা শাগৈদা পোকপা মীনা দুহোন কারুদ্রবদি শ্যামসুন্দরগী ঈশিং শোকপা য়ারমদে।

'দুহোন' হায়রিবসি কনানো ?

(1) গোবিন্দগী চাক থোংবা মী। (2) মীয়ামগী চাক থোংনবা মী।

(3) দরবার মেম্বরশিংগী চাক থোংনবা মী। (4) শ্যামসুন্দরগী চাক থোংনবা মী।

**124.** নবকিশোর শ্যামসুন্দরগী কনানো ?

(1) মনাওনিপানি। (2) মপানি।

(3) মরী মতানি। (4) ময়াম্বনি।

**125.** শ্যামসুন্দরনা ইরুজবা করম্না কারকপগে ?

(1) মফি চোৎনা চোৎনা কারক্কনি। (2) শামতু ফি হোংদোক্তুনা কারক্কনি।

(3) গৌড়িয়াগী নিয়ম ঙাক্লা কারক্কনি। (4) লম্বেল ঈশিং চাই চাইদুনা কারক্কনি।

**126.** শ্যামসুন্দর করি ওইরম্মী ?

(1) দুহোন ওইরম্মী। (2) ওজা ওইরম্মী।

(3) দরবার মেম্বর ওইরম্মী। (4) লাকপা ওইরম্মী।

**127.** য়েক শলাই তিন্নবা মী মরক্তা চারৌ মৌরৌ থিংবদা শ্যামসুন্দরনা করি ওইরম্মী।

(1) মাংজিন থানা ৱা ঙাংবগী লুচিংবা। (2) ৱা য়াম্না য়ামগনবা লুচিংবা।

(3) ফীরান পায়বা লুচিংবা। (4) মীয়াম খোমদুনা হৌবগী লুচিংবা।

**128.** শ্যামসুন্দর মশানা মশাবু করম্বা মীশকনি হায়না লৌজবগে ?

(1) গৌড়ীয়া য়াম্না ঙাক্লা চৎপা মীনি।

(2) মানা ঙাংবদুনা চুম্লে খনজবা মীনি।

(3) মচা-মনাউ লুনা তৌবা মীনি হায়না লৌজবা মীনি।

(4) মশানা মশাবু হৈ-শিংবা মী অমনি লৌজবা মীশকনি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA

**মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাওখুম পীয়ু — ৱাহং (129-135)**

সমাজ হায়বসিমক্তবু সংস্কৃতিগী মপান তাংদুনা লৈবনি। সংস্কৃতি হায়রিবসি, মানসিক (লৌশিংগী ওইবা) আধ্যাত্মিক (থম্মোয়গী ওইবা) ভৌতিক (পোৎলমগী ওইবা) অহুম অসিদগী থোক্লকপনি। মসিনা থৱায় ওইরগা জাতিগী সভ্যতা শেমগৎলকপনি। অদুগা জাতি অমগী সংস্কৃতি য়েংলগা জাতি অদু করম্বা থাক্তা লৈবগে হায়বা ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী হায়রিবসিনি। সংস্কৃতিবু ঐখোয়না ইংরাজী লোন্দা কলচর হায়না হন্নে। কলচর হায়বসিদা কলটিভেসনগী ভাব অমসু অদুম্মক লোয়নরবনি। লৈহাও চেল্লবা পৃথিবীসিবু নীংথিজনা খোইদোক্লগা মহৈ মরোং হুনবা, অদুগা মদুনা মপুম-মরৈ ফারক্লগা জাতিনা অমদি সমাজনা নুংঙাইজৈ অমদি পেঞ্জে। মীওইবগী ঙসি ওইরিবা সভ্যতা অসি য়ৌনবা হোৎনবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা অমতা ঙায়রবা লম্বীদি সংস্কৃতিনি, হায়বদি চহী কয়াগী মমাঙদগী মথং মথং তুঙশিন্দুনা থন্নক্লবা সংস্কৃতিগী ফলদি ঙসিগী সভ্যতাসিনি। শন্না হায়রবদা সভ্যতানা পম্বুংনি, সংস্কৃতিনা পম্বুং অদুগী য়ৌনবগী অমত্তা ঙায়রবা পাম্বৈনি।

মসিদগী ঐখোয়না খঙলে, সংস্কৃতি হায়বসিবু ঐখোয়না লেঙবা নাইদবা উতূপকুম নুঙদুমগুম খক-লৌবা যাদে। মতম মতমগী মতুংইন্না অনৌবা অওনবা কয়া লাকই। সংস্কৃতিদি মরা য়াম্না তাখ্রবা উপাম্বীগুম্বনি।

সংস্কৃতিদগী থোক্লকপা 'সভ্যতা' হায়রিবা ৱাহৈসিমক চনৈনবা অর্থ কয়া চেন্দবা নত্তে। মেটরিয়েল ৱার্ল্ডদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদদি বিজ্ঞানগী অয়ৌবী থাক য়ৌববু সভ্যতানি হায়না লৌনৈ। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা ভারতবাসীশিংনদি পূন্নিং অমসুং আত্মগী মপুং ফাবা অপেনবা ফংবদুবু সভ্যতানি লৌনৈ। সংস্কৃতি হায়বসি পূন্নিংগী অমসুং আত্মগী অপেনবা ফংনবগী পাম্বৈদুনি হায়বসি হিন্দু ফিলোসোফিদা থাজবশিংগী মতনি। অদুনা জাতি অমগা জাতি অমগা ৱাখল খেন্নবা, পুন্সিগী ফিলোসোফি খেন্নবগী মতুংইন্না সংস্কৃতিসু অদুম খেন্নৈ হায়বসি খঙবা ঙম্মী। হিন্দুগা মুসলমানগা ৱাখল মান্নদবা, ফিলোসোফি তিন্নদবগী ফলনা সংস্কৃতিদসু-অদুম খেন্নবা মউই।

**129.** সংস্কৃতি হায়বসি মতমগী মতুং ইন্না করম্বা মওংদা লাকখিবগে ?

(1) অনৌবা অওনবা কয়া লাকখি। (2) সমাজবু অনোৎবা ইনোৎ হাপখি।

(3) সভ্যতগী পম্বুং য়ৌখি। (4) লেপ্তুনা চৎথরকখি।

**130.** মানসিক, আধ্যাত্মিক, ভৌতিক অহুম অসি পুল্লগা করি শেমগৎলকপগে ?

(1) জাতিগী চৎনবী। (2) জাতিগী সভ্যতা।

(3) মীওইবনা লৈমিন্নরকপা। (4) মীওইবগী সভ্যতা।

**131.** মেটরিয়েল ৱার্লডদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা সভ্যতাবু করিনি হায়না লৌনবগে ?

(1) পূন্নিংগী অমসুং অত্মাগী অপেনবা। (2) সমাজ অমসুং জাতি অমা চাওখৎপা।

(3) মীওইবনা কখোকপা ঙম্ববু। (4) বিজ্ঞানগী অয়ৌবা থাক য়ৌবা।

**132.** 'আধ্যত্মিক' ৱাহৈ অসিদা সিলেবল কয়া য়াওবগে ?

(1) অনি (2) অহুম

(3) মরী (4) অমা



www.careerindia.com

**139.** মখাগীশিংসিদগী নেসনেল ইদুকেসন পোলিসি ২০২০ অচুম্বদো করম্বানা ?

(1) অঙাংনা লোন অহুম তম্বদুদা অমদি ইন্দিয়াগী ক্লাসিকেল লোন ওইগদবনি।

(2) অঙাংনা লোন অহুম তম্বদুদা অমদি মপানগী (foreign) লোন ওইগদবনি।

(3) লোন অহুম তম্বদুদা অমদি ইন্দিয়াগী লোন ওইগদবনি।

(4) লোন অহুম তম্বদা অনি অমদি ইন্দিয়াগী লোন ওইগদবনি।

**140.** নিলিমানা তৌরিবা থবকসি ফিজিসিয়াননি মহাক্ন COVID 19 ভেকসিননা করম হায়না মথৌ তৌবগে ইবা অনৌবা লাইরিক অমা লৈরকই। মানা প্রাকতিস তৌনবা অমসুং মহৈরোইদা তম্বীনবা পারে। মসি পাবা মওংসি করি কৌবগে ?

(1) খুদিংমক পাবা

(2) চাওরাক্ন পাবা

(3) মনুং হুৎনা পাবা

(4) পাকশন্না পাবা

**141.** তম্বা অমদি তম্বীবদা ৰাহঙ্গোক্তগী শওং-শদা (form) তম্বসি —

(1) দেক্লারেতিভ নোলেজনি।

(2) প্রোসেস এপ্রোচনি।

(3) প্রদক্ত এপ্রোচনি।

(4) প্রোসিজরেল নোলেজনি।

**142.** ওজানা মহৈরোইশিংগী মমিং পন্দনা মখোয়গী অরানবশিং মরক-মরক্তা খন্নে। মহাক্ন তৌরিবসি করিনো ?

(1) মহৈরোইশিংগী অরান্বা পুথোকপনি।

(2) মহাক্ন খন্নরগা লোন তম্বীবনি।

(3) মহাক্ন তৌরিবসি অশোয় অঙামশিংদু অমুক তম্বীবনি।

(4) মহৈরোইশিংনা লোন শিজিন্নবদা অচুম-অরানগী মতাংদা ৰাখল পিবনি।

**143.** ক্লাস VII গী ওজা অমনা মহৈরোইশিংদা সহরগী নত্ত্রগা খুনগী অকোইবদা চৎলগা নিংশিং খুভমশিং অমদি মরুওইবা মফমশিংগী মচাক খোমলগা লম য়েংবা লাকপা মীশিংগী পোস্টর অমা দিজাইন তৌনবা হায়। মসিগী থৌদৌসি করি হায়না খংনবগে ?

(1) প্রোজেক্তক্কী থবকনি।

(2) এসাইনমেন্তনি।

(3) পুল্লগা তৌবা থবকনি।

(4) প্রোজেক্তক্কী থৌদৌনি।

www.careerindia.com

CAREERINDIA

**144.** লোন নৈনবসিবু —

(1) লিঙ্গুইস্টিক্স কৌই।
(2) লোন্থগী গ্রামার কৌই।
(3) তম্বগী কনটেক্সতা লোননি।
(4) লেঙ্গ্যাজ পেদাগোজি কৌই।

**145.** শৈরেং তম্বীবগী মরুওইবা পান্দম সি —

(1) লোন অমসুং লোন্দুগী শৈরেং তম্বনি।
(2) শৈরেংদা শিজিন্নবা গ্রামারগী মচাকশিং তম্বনি।
(3) কবিদুনা করি খনবগে হায়বসি তমবনি।
(4) সাহিত্যগী ওইবা লোন ফজবগীনি।

**146.** ইন্দিয়াদা ইংলিশসি করম্বা স্টেতসতা লৈ।

(1) এসোসিয়েৎ ওফিসিয়েল লোন
(2) একাদমিক লোন
(3) অৱাংবা থাক্কী লাইরিক তম্বগী লোন
(4) ওফিসিয়েল লোন

**147.** মহৈরোই অমনা ইনবা হোৎনবদা তাংকক কয়ামুক থেংনৈ। মসিবু করি কৌবগে ?

(1) প্রোসেস এপ্রোচ তু রাইতিংনি।
(2) ইমরজেন্ত রাইতিং স্ত্রাতেজিনি।
(3) হোল লেঙ্গ্যাজ এপ্রোচনি।
(4) প্রদক্ত এপ্রোচ তু রাইতিংনি।

**148.** পাবদা ৱাহন্থোকসি করিনো ?

(1) ৱাহৈগী অচুম্বা খোনথোক লৈনবা তুমীন্না হায়বনি।
(2) গ্রামারগী মচাকশিং খংনবা তুমীন্না হায়বনি।
(3) ৱাহন্থোক লাকহন্নবা হোৎন্নবদা তুমীন্না হায়বনি।
(4) ৱাহৈগী ৱাহন্থোকনি।

www.careerindia.com

